# অনীশুবা এম সি এ ইলিট লীগ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট
## ৱাই দব্লিয়ু সি না চেম্পবু রন ৪৩ দা থোইখ্রে

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, জনুৱারি ২৭ ঃ**
মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়ম লুৱাংশঙবমদা চত্থরিবা ২শুবা এম সি এ ইলিট লীগ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৪-১৫ গী ঙসি শান্নখিবা ১৭শুবা মেটচতা চেম্প ৱাই দব্লিয়ু সি লংথবালনা চেম্প খাগেম্পল্লিবু রন ৪৩ দা মাইথিবা পীখ্রে। মেন ওফ দি মেটচনা ৱাই দব্লিয়ু সি গী বিশ্বাসনা রন ৩১ অমদি ৱিকেট ২ লৌদুনা তাখি।

চেম্পনা টোস ঙম্লগা হান্না ফিল্ডিং খনখি। ৱাই দব্লিয়ু সি না অহানবা বেটিং তৌখিবদা অপীবা ওভর ৩০ দা ৱিকেট ৮ আউট ওইরগা রন ১১৩ লৌখি।

ইন্নিংস অদুদা বিশ্বাসনা বোল ৪০ দা রন ৩১, প্রসান্তনা বোল ১৯ দা রন ১৫ অমদি বিক্রমজিৎনা বোল ৪৫ দা রন ১৪ লৌখি। চেম্পকী বোল্লর রবি অমদি বোনিয়ম্না ৱিকেট ৩ / ৩, সুন্দরনা ৱিকেট ২ অমদি প্রেমচান্দনা ৱিকেট ১ লৌখি।



চেম্পকী বেটসমেন অমনা অনীশুবা ইন্নিংসতা ৱাই দব্লিয়ু সি গী বোল অমা মায়োক্নখিবা

চেম্পনা অনীশুবা ইন্নিংসকী বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ২৫.৫ তা ৱিকেট পুম্নমক আউট ওইরগা রন ৭০ লৌবদগী রন ৪৩ দা মায়থিখিবনি। ইন্নিংস অদুদা অথৌবনা বোল ৩০ দা রন ১৫ অমদি টোনিনা বোল ৪০ দা রন ১২ লৌখি।

ৱাই দব্লিয়ু সি গী বোল্লর রোনাল্ড, বিশ্বাস অমদি প্রসান্তনা ৱিকেট ২ / ২ অমদি সুভাসচন্দ্রনা ৱিকেট ১ লৌখি।

হয়েং মোডেল ক্লব চীংঙা মখাগা ব্লু হোক খুরাইগা শান্নরগনি।

# মণিপুর উরিষাগী মখুৎতা মায়থিখ্রে

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, জনুৱারি ২৭ ঃ**
উরিষাগী কটক্তা চত্থরিবা সব-জুনিয়র গার্লর্স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ টু গী ক্বার্টর ফাইনেল লীগকী মেটচ অমদা মণিপুর উরিষাগী মখুৎতা গোল ৩-০ দা মায়থিখ্রে।

মণিপুরগী অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল লীগ মেটচ থা অসিগী ২৯ দা টেলঙ্গনাগা শান্নরগনি।

# জুনিয়র ভোলিবোল টুর্নামেন্ট হৌরগনি

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, জনুৱারি ২৭ ঃ**
ওল মণিপুর ভোলিবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা খোরি লৈকাই য়ুথ এসোসিয়েসন নম্বোলনা শিন্দুনা থা অসিগী ২৮ দগী ফেব্রুৱারী ৩ ফাওবা এসোসিয়েসন অসিগী ভোলিবোল গ্রাউন্দদা টিম ১২ না গ্রুপ ৪ দা শরুক য়াদুনা হৌরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী কন্দক্ত তৌনবগীদমক ওল মণিপুর ভোলিবোল এসোসিয়েসনগী রেফরি বোর্দনা রেফরি ৬ হাপখ্রে হায়না ওল মণিপুর ভোলিবোল এসোসিয়েসনগী রেফরি বোর্দকী চিয়ারমেন এল বালেশ্বর সিংহনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি। রেফরিশিং অদুদি নেসনেল রেফরি এল রঞ্জিৎ সিংহ, এল সান্তরাম সিংহ, এম রাজেন সিংহ, সি ঐচ মংলেম্বা সিংহ, ষ্টেট রেফরিদা টি ঐচ ইন্দু সিংহ অমদি টি প্রবিন সিংহনি।

# নিলেস ফুটশাল ফুটবোল টুর্নামেন্ট

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, জনুৱারি ২৭ ঃ**
উষা ভৱন ক্লব সগোলবন্দ সয়াংনা শিন্দুনা সয়াং গ্রাউন্দদা চত্থরিবা অনীশুবা নিলেস ৱাহেংবম ষ্টেট লেভেল ওপন ফুটশাল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা গ্রুপগী লীগ মেটচশিংদা য়ু বি সি (বি) সয়াং, রাই ব্রদর্স পাঙ্গৈ অমদি পি ঈ এস য়ু ওইনাম বজার মখা মায় পাকখ্রে।

অয়ুক্কী অহানবা মেটচতা শান্নখিবা গ্রুপ দি গী মেটচতা য়ু বি সি (বি) না এঞ্জেলস সুপর মেন থাংমৈবন্দবু গোল ৫-২ দা মায়থিবা পীখি। য়ু বি সি (বি) গী গোলশিং অদু পারি অমদি কান্তনা ২ / ২ অমদি জোসেপনা অমা চনখি। এঞ্জেলস সুপর মেনগী গোল অনী অদুনা ওলিভর কোরেন অমদি ব্রাউন্দসন্না অমমম চনখিবনি।

অনীশুবা শান্নখিবা গ্রুপ এ গী মেটচতা রায় ব্রদর্সনা কে ৱাই এফ এ কোইরেঙ্গৈবু গোল ৮-৩ দা মায়থিবা পীখ্রে। রায় ব্রদর্সগী গোলশিং অদু রোমিওনা মরি, অজিৎনা অহুম অমদি অমুনা অমা চনখিবনি। কে ৱাই এফ এ গী গোল অহুম অদুনা হোলেন্দ্রো, প্রেমজিৎ অমদি সি ঐচ সিঙ্কনা অমমম চনখিবনি।

নুংথিলদা শান্নখিবা গ্রুপ বি মেটচতা পি ঈ এস য়ু না রিয়েল সগোলবন্দবু গোল ৫-৩ দা মায়থিবা পীখি। পি ঈ এস য়ু গী গোল ৫ অদু নবচন্দ্রনা অহুম, এন্থোনি অমদি হোমেশ্বরনা অমমম চনখিবনি। রিয়েল সগোলবন্দগী গোল ৩ অদুনা গোলমৈ, রোসন অমদি রবিনা অমমম চনখিবনি।

# অনীশুবা অম্ফিম্পা ইনভিটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট
## কোরিয়োগ্রাফর, অম্ফিম্পা অমদি এদিটর এফ সি মায় পাকখ্রে

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, জনুৱারি ২৭ ঃ**
ওল মণিপুর ফিল্ম মেক্করস এন্দ প্রদ্যুসর এসোসিয়েসন (অম্ফিম্পা) না শিন্দুনা সৌদোংপুং লম্পাক কোংবদা চত্থরিবা অনীশুবা অম্ফিম্পা ইনভিটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা কোরিয়োগ্রাফর এফ সি, অম্ফিম্পা এ অমদি এদিটর এফ সি মায় পাকখ্রে।

অহানবা শান্নখিবা মেটচতা কোরিয়োগ্রাফর এফ সি না এক্টর এফ সি এ বু গোল ৩-২ দা মায়থিবা পীখি। কোরিয়োগ্রাফর এফ সি গী গোল ৩ অদু অতাইনা ১৭, ২২ অমদি ৩৩ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। এক্টর এফ সি এ গী গোল ২ অদুনা জেমসন অমদি নাওবনা ৩১ অমদি ৩৫ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি।



এক্টর এফ সি বি অমদি অম্ফিম্পা এ না শান্নখিবা মেটচগী মতাং অমা

অনীশুবা শান্নখিবা মেটচতা অম্ফিম্পা এ না এক্টর এফ সি বি বু গোল ৩-২ দা মায়থিবা পীখি। অম্ফিম্পা এ গী গোল ৩ অদু পুরেললাকপনা ৩১ অমদি ৪৭ শুবা মিনিটতা গোল অনী অমদি আইসোমনিনা ২৬ শুবা মিনিটতা গোল অমা চনখিবনি। এক্টর এফ সি বি গোল অনী অদুনা ধর্ম অমদি রোসন্না ৯ অমদি ৩৬ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি।

অহুমশুবা শান্নখিবা মেটচতা এদিটর এফ সি না অম্ফিম্পা বি বু গোল ৩-০ দা মায়থিবা পীখি। এদিটর এফ সি গী গোল অহুম অদু হেমোচন্দ্রনা ১৫ অমদি ৩০ শুবা মিনিটতা অনী অমদি রোবার্টনা ৩৫ শুবা মিনিটতা গোল অমা চনখিবনি।

# সুপর দিভিজন নোক আউট টুর্নামেন্ট লোইশিনখ্রে

**এস এন এস**
**শিবিলোং, জনুৱারি ২৭ ঃ**
সাউর্দন য়ুথ স্পোর্টস এসোসিয়েসন ( এস ৱাই এস এ ) না শিন্দুনা জনুৱারী তাং ১৯ দগী চত্থরকপা সুপর দিভিজন নোক আউট টুর্নামেন্ট ২০১৬ ঙরাং লোইশিনখ্রে।

তমেংলোং দিষ্ট্রিক্তকী তৌশেম সব-দিভিজনগী মনুং চনবা শিগুইলোং (শিবিলোং) ভিলেজদা শান্নবা হৌখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী লোইশিনখিবা থৌরম অদুদা শিবিলোং ভিলেজ ওথোরিটিগী চিয়ারমেন দিসিনলুং কামৈনা চিফ গেষ্ট ওইদুনা টুর্নামেন্ট অদু লোইশিনখি।

লোইশিনখিবা নুমিৎ অদুদা শান্নখিবা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেল মেটচতা নমদাইলোং য়ুথ ক্লবনা মাকামলোং য়ুথ ক্লবপু মাইথিবা পীদুনা নমদাইলোং য়ুথ ক্লবনা চেম্পিয়ন ওইখি অদুগা মাকামলোং য়ুথ ক্লবনা রন্নর্স অপ তাখি।


ভোলিবোল টুর্নামেন্টকী শান্নখিবা নুপীগী ফাইনেল মেটচতা লুংকাও ব্রুমেন ভোলিবোল ক্লবনা দুইগাজাং ৱিমেন ভোলিবোল ক্লবপু মায়থিবা পীরগা চেম্পিয়ন অমদি রন্নর্স অপ ওইখ্রে। নুপাগী ফাইনেল মেটচতা পানকাং য়ুথ ক্লবনা কাইমাই য়ুথ ক্লবপু মায়থিবা পীরগা চেম্পিয়ন অমদি রন্নর্স অপ ওইখ্রে।

# নোর্দন স্পোর্টস এসোসিয়েসন মীট ২০১৬ হৌখ্রে

**এস এন এস**
**চান্দেল, জনুৱারি ২৭ ঃ**
১২ শুবা এন্যুয়েল স্পোর্টস মীট নোর্দন স্পোর্টস এসোসিয়েসন ঙসিদগী থল্লাই ভিলেজ প্লেগ্রাউন্দ চান্দেল দিষ্ট্রিক্তা হৌখ্রে।

হৌদোকপদগী থৌরম অদুদা তেংনৌপল এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ দি কোরুংথাং, ৱাংজিং তেন্থা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ পি ব্রোজেন, এ দি সি চান্দেলগী মেম্বর এস ঐচ মংলেম মোনশাঙ, এ দি সি চান্দেলগী মেম্বর এম মোরুংসন না চিফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওনর অমদি প্রসিদেন্ট ওইখি।

মীট হৌদোকপগী থৌরমগা মরী লৈননা তেংনৌপল কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ দি কোরুংথাংনা নৌনা শাখিবা প্লে গ্রাউন্দ অমসু হাংদোকখি। মীট অসিদা মরিং, তাংখুল অমদি থাদৌ কুকিগী তোঙান-তোঙানবা ভিলেজ ৯ না ফুটবোল, ভোলিবোল, ছেপাকতাক্রৌ অমদি এঠেলেটিক ইভেন্টতা অথোই-অহেন তান্নগনি।






















Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*